নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মীথ্রেং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি সেনাপতিনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে ওফ দেমোক্রেসি পাঙথোকখিবা



কাংমোং সঙ্গীত কলা মন্দলনা শীন্দুনা কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দা তর্পন মহোটসব পাঙথোক্তুনা ইপা-ইপুশিংদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা তর্পন মহোটসব করিগীদমক্তা পাঙথোক্লিবনো হায়না নৈনখিবা



সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা নৈনশঙ ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা কেন্সর লায়না লাক্কনবদগী মাঙজৌননা কনবা ঙম্নবা পাঙথোকখিবা অর্লি দিটেক্সন এন্দ প্রিভেন্সন কেন্সর কেম্পতা শরুক য়াখিবা মীওইশিং



দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন (দি এম সী টি ঈ) ইম্ফালনা চহী ৫০ মপুং ফারকপগী নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্লকপা গোল্ডেন জুবিলি থৌরমগী অহানবা নুমীৎকী ওইনা মৈরা চুৎথুনা হৌদোকখিবা



## কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ১৫ (ঐচএনএস) : দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অমদি বেঙ্কশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা সোসল সিক্যুরিটি স্কিম কয়া কন্ট্রেকচ্যুএল ৱার্করস এনরোল তৌনবা অমদি ইলিজিবল পর্সনশিংবু স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা স্পেসল কেম্প অমা থা অসিগী লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২২দা পাঙথোক্কনি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার বিষ্ণুপুর লৌরেম্বম বিক্রমনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না অতল পেন্সন যোজনা, পি এম জে জে বি ৱাই, পি এম এস বি ৱাইনচিংবা স্কিমশিং অসিগী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগীদমক সেপ্টেম্বর ২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা নোংমগী ওইবা স্পেসল কেম্প অসি নম্বোল, বিষ্ণুপুর, ওইনাম, নিংথৌখোং, মোইৱাং, ক্বাক্তা অমদি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মসিদা মীয়াম্না মরী লৈনবা চহী উৎপা দোক্যুমেন্টশিং, আধার অমদি বেঙ্ককী দিটেলশিং পুদুনা লাক্নবসু হায়রি।

## ফ্রী দিষ্ট্রিব্যুসন কেম্প

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ১৫ (ঐচএনএস) : সকশম মণিপুরনা শীন্দুনা ইনোগ্যুরেসন ওফ ফ্রী দিষ্ট্রিব্যুসন কেম্প (এইদস এন্দ এসিসটিভ দিভাইসেস টু দিবিয়াঞ্জন)গী থৌরম অমা অদিপ স্কিম গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৭, থাংজ নুমীৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা নিঙোম্বম ভিলেজদা লৈবা সকশম সেবা কেন্দ্রদা পাঙথোক্লগনি হায়না সকশমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ও প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, স্পেসল গেষ্টতা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, গেষ্ট ওফ ওনরদা মিনিষ্টর ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, পি দব্লিয়ু দি গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা মণিপুর ইলেক্ট্রোনিক্স দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যেরমেন অমদি পাৎশোই এ সীগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ১৫ (ঐচএনএস) : একাদেমীক সেসন ২০২২-২৩গী ওইনা চহী ৪গী কোর্স ওইরিবা বেচলর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস (বি পি ঈ এস) কোর্সকীদমক ওনলাইন এপ্লিকেসন কৌরি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার (একাদেমীক) ডা. আর কে জোতিনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ওনলাইন এপ্লিকেসন অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতগী ফংগনি। কোর্স অসিগীদমক য়ু আর/ও বি সী/ঈ দব্লিয়ু এসকী ওইনা এপ্লিকেসন ফী লুপা ৩০০ ওইগনি। অদুগা এস টি/এস সী/পি দব্লিয়ু দিগী কেন্দিদেটশিংগীনা এপ্লিকেসন ফী লুপা ২০০ ওইগনি। ওনলাইন সবমিসন হয়েং সেপ্টেম্বর ১৬তগী হৌরগনি। অদুগা ওনলাইন সবমিট তৌবগী অরোইবা মতমনা সেপ্টেম্বর ৩০গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা ওইগনি হায়রি।

## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ১৫ (ঐচএনএস) : হৌজিক হৌজিক মোরেদা দেঙ্গিগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ষ্টেট এন ভি বি দি সী পি ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসর ডা. এ আর চিষ্টিনা লুচিংদুনা সী এম ও তেংনৌপল ডা. জাংখোলুন তৌথাং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এন ভি বি দি সী পি টিমগা লোয়ননা চর্চ লিদরশিং অমসুং সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং য়াওনা মোরেদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৭তা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীওই২/২ শোয়দনা থাবীরক্কদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসর তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ডা. মনিভুষনগী চেরোল অমনা হায়রি।

# য়াইরিপোক্কী এম আই ঈদা টেষ্ট তৌবা লাকপা পোল্ল্যুসন বোর্দ অমদি ফোরেষ্টকী ওফিসলশিং টেষ্ট তৌহনখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়দা মাইনর ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেট (এম আই ঈ) কী প্লাইৰুদ ফেক্টরি অমদি সো মিল চলাইরিবশিং অসি লৈঙাক্লা থিংজিনবীয়ু নৎত্রগা খোইরোম মথক লৈকায়দগী মতম পুম্বগী হোংদোকপীখ্রো হায়না লৈকায় অদুগী মীয়াম্না ঈরাং হৌরকপদগী ঙসি য়াইরিপোক্কী এম আই ঈ লৈরিবা মফম অদুদা মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ওফিসলশিং অমদি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসলশিংনা "এম্বিয়ন্ট এয়র ক্বালিটি মোনিটরিং" অমসুং "এম্বিয়ন্ট নোইজ মোনিটরিং" গীদমক চেক তৌনবা লাকপদা লৈকায় মীয়ামগা উংখৎনবগা লোয়ননা মীয়াম্না টেষ্ট তৌবগী মথৌ তাদে, মফম অসিদগী এম আই ঈ হোংবীখ্রো হায়দুনা টেষ্ট তৌহনখিদ্রে।

থা অসিগী ৪দগী জে এ সী



এগেনষ্ট দ ইষ্টাব্লিসিং ওফ দ খোইরোম এম আই ঈ ইন রেসিদেন্সিএল এরিয়ানা শীন্দুনা লৈকায় মীয়ামগা লোয়ননা মফম অসিদগী এম আই ঈ হোংদোকপীখ্রো, মীয়াম অসি লায়না পকপা য়াওরে, অঙাংশিং লাইরিক পাবা অমত্তা য়াদ্রে হায়না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপনি হায়রি। থা অসিগী ১২দা খোইরোম মথক লৈকায় মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা মফম অদুগী মীয়াম অমা প্লাইৰুদ ফেক্টরি অমদি সো মিল মপুশিংনা নেল্লগা মীটিং তৌখিবা এম আই ঈ থম্বা পান্বা মফম অদুদা প্লাইৰুদ ফেক্টরি অমদি সো মিলশিং অসি হোংদোকপীখ্রো হায়রদুনা মফম অসিদা লৈরিবা ঐখোয়গীদি অততাইনি মখোয়না মীয়াম অমা নেল্লগা এম আই ঈ থম্বা য়ানিংই হায়রিবা ময়াম অদুদি হৌজিকসু মশক অমত্তা উদ্রে হায়নসু লৈকায় মীয়াম্না ফোঙদোক্লখি।

হীরম অসিগী মতাংদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও, টি ঐচ লোকেন্দ্রোনা পাউমীশিংদা হায়, খোইরোম এম আই ঈ অসি কুমজা ২০১৮দগী লিংখৎখিবনি। অদুবু মসিগী মতাংদা লৌরেম্বম তোম্বা কৌবা জে এ সীগী মীওই অমনা কমপ্লেন্ট অমা তৌরকপদগী খোইরোম এম আই ঈ অসি থা অসিগী ৮দগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা থিংজিন্দুনা লাকপনি। খোইরোমগী মীওই খরা অমনা এম আই ঈ অসি থিংবীগনু হায়বা অদুগা মীওই খরা অমনা এম আই ঈ অসি হোংদোকপীখ্রো মসিনা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরক্লে, নোইজ পোল্ল্যুসন থোক্লে হায়বদগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা দিরেক্টর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দতা চে অমা ইবদগী ঙসি অসি নোইজ পোল্ল্যুসন থোকপা এয়র পোল্ল্যুসন থোকপশিং অসিগী টেষ্ট তৌদুনা দিগ্রী ওন্ননবা লাকপনি। অদুবু জে এ সীগী টিম অসিনা নোইজ পোল্ল্যুসনসু এয়র পোল্ল্যুসনসু অমত্তা ওনবা য়ারোই, মফম অসিদগী এম আই ঈ হোংদোকখ্রো হায়বগী ৱারেপ লৌখ্রে হায়বদগী ঙসিগী ওইনা হন্দোকচরে। মখা তানা করি তৌগদগে হায়বা অদু অমুক লেপ্পরগা খঙহল্লকখিগনি হায়খি।

# 'প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী লৌথোকখ্রবা ক্লবকা মরী লৈনদ্রবা মীশক্লি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএন এস) : য়াইরিপোক সিঙ্গাদগী দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা এম দি জলালউদ্দিন শাহ (৫৬) অপোকপা অলহজ সলাউদ্দিন য়াইরিপোক সিঙ্গাদা লৈবা হায়রিবা মীওই অসিনা খুঙ্গং অসিদা দ্রগকী বিজিনেস তৌবা সিঙ্গা আইদিয়েল ক্লব (এস আই সী)গী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা দ্রগকী খুৎপু অমগা দ্রগকী বিজিনেস তৌমিন্নরে খঙলকপদগী সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফ্যের ক্লব (এস এম এল দব্লিয়ু সী)গী প্রসিদেন্ট অমদি প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী লৌথোকখ্রবা ক্লব অসিগা মরী লৈনদ্রবা মীশকনি হায়না এস এম এল দব্লিয়ু সীগী প্রসিদেন্ট সিঙ্গাময়ুম নুর কমলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এম দি জলালউদ্দিন শাহ হায়রিবা খুন্নাইগী য়েক্লবা ওইরবা মীওই অসিনা সিঙ্গা খুলদা লৈরিবা দ্রগ আউটলেট খরদা দ্রগ সপ্লাই তৌরে হায়বা খঙলকপদগী ক্লব অসিনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌখিবনি। মহাক্লা লন্নাই ওইনা তৌরম্বা করিগুম্বা থবক অমত্তগা এস এম এল দব্লিয়ু সীগা মরী লৈনদে। এস এম এল দব্লিয় সীদি মীয়ামগীনি। ৱার ওন দ্রগকী মখাদা থৌবাল এস পি অমদি মহাক্কী লুচিংবা টিমনা চথরক্লিবা খোঙজং অসিদা ক্লব অসিনা হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মখা তাবা খোঙজংশিংদা থৱায় হকচাং য়াওনসু এস এম এল দব্লিয়ু সীনা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়রি।

এম দি হেলিম মীয়াম্না হেলিমচা এলিয়স হাওহেলিম এলিয়স অন্সোল হায়রিবা মীশক অসি এন ঈ এম এফ হায়বা গেঙ খুৎপু অমা শাগৎলগা মীয়ামদগী শেল খায়বা, লুট-পাৎ তৌবা, গাড়ী লাকপা কয়াদা চেন্নবদগী অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর কম্মান্দোনা কয়ারক ফূরম্বা মীশকনি। কেস কয়াদা চেন্নবনা মরম ওইরগা মীরোৎ ওইরগা মতম শাংনা লৈরুরবা মতুংদা ফোংনা লৈবা য়ানবা অমদি মেনষ্ট্রিমদা পুরক্লবদা সিঙ্গাগী মীয়াম্না প্রধান ওইহনখিবনি। অদুবু মেনষ্ট্রিমদা লাকপগী মহুৎতা প্রধান ওইরিঙৈ মতমদসু জি পিগী ফন্দ লান্না শীজিন্নবদগী জি পিগী মীওই কয়া হৌরক্তুনা য়ুম মৈ থাবা, নোংমৈ কাপ্পবা য়াওরকপদগী হৌজিক ফাওবা কেস লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা হূই মমৈবু উতোং হুক্লগা চুম্বা য়াদবগুম চুমথোকপা ঙমদ্রবা মীশকনি। প্রধানগী পেরেদ শুনা মথৌ তৌবা ঙমখিদ্রবা মীওই অমনি হায়রি।

চেরোলদুনা মখা তারদুনা হায়, দ্রগকী বিজিনেস কয়াদা শৌগৎলিবা মশাগী য়ুমদা দ্রগকী বিজিনেস তৌরিবা এস আই সীগী প্রসিদেন্টনি হায়রিবা হেলিম মফম মরাং খঙদবা মমাঙদসু লুট-পাৎ তৌবা মীয়ামদগী শেল নমদুনা খায়বা এন ঈ এম এফ হায়রিবা গেঙ খুৎপু অদুগী ফাউন্দর অমসুং মহাক্কী খুৎপু অসিগী মথক্তা অকনবা লিগেল এক্সন লৌবীদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু অমদি খুঙ্গং অসিদা তংদু-লৈতাবা ফংহনবীয়ু হায়রি।

# হৈকৎ-লৈকৎ তম্লুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএন এস) : অন্দমান্দ এন্দ নিকোবরগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা মাউন্ট হেরিয়টতা লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী থৌনা ফবা মরৈবাক নিংবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লুনবগীদমক মীওই ৬ না শাবা টিম অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অন্দমান্দ এন্দ নিকোবর আইলেন্দগীদমক ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা প্রিজার্বেসন কম্মিটি ওফ দিপোর্টেদ মণিপুরী ৱার হেরোস এট অন্দমান্দ এন্দ নিকোবর আইলেন্দনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম তোম্বনা হায়খিবদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎনবগীদমক অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরম্লেনদা ইংনা তপ্পা লৈরুনবগীদমক লাংবন তর্পনগী হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মরুওইনা জপান লৈবাক্লা মখোয়গী লান্মীশিং শিখিবা চৎ-চৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎলিবা অদুগুম্না লমদম অসিগী ওইনসু অতোপ্পা লৈবাক্তা নৎত্রগনা মণিপুরগী ৱাংমদা মরৈবাক্কীদমক মথৱায় কথোকখ্রবা অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লিদুনা ইকায় খুম্নবা উৎফম থোকই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অন্দমান্দ এন্দ নিকোবর ওথোরিটিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা গুদ ৱিল ষ্টেটদা লম শরুক খরা পীরকখিবা অদুসু খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা য়েংশিনগনি হায়খি।

অন্দমান্দ এন্দ নিকোবরগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা প্রিজাবেসন কম্মিটি অসিগী মীওইশিং অদুদি য়ুম্নাম তোম্বা, আর কে সনাহনবী, থোঙাম শ্যামাখাবা, ৱাহেংবম লুৱাং লৈমা, চিংথাম ধনেশ্বরি অমসুং কৈথেল্লাকপম লন্দননি।

# এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওইনা হীরম অমত্তদা চয়েৎনবা লৈতে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনি হায়জবা মশক খঙদবা মীওই খরনা মীদিয়াদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি মীয়াম্না থাজবীগনু হায়না এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম লুচিংবা মঙাংনা ফোঙদোরক্লি।

এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা লৌরেম্বম লুচিংবা মঙাংনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ১০দা প্রেস রিলিজ অমা থাদোক্তুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবদা য়াওরিবা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী আই পি সেক্রেটরি থোঙাম অকাশ হায়রিবা মীওই অসি এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী রিফোর্ম তৌখ্রবা মতুংদগী অমুক্তা ফাওবা থোক্লকখিদ্রবা থবক থৌরম অমত্তা য়াওখিদ্রবা মীওই অমনি। ৱাংজিং ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্টনি হায়জবা শগোলশেম বিদ্যালক্ষ্মী হায়রিবা মীওই অসিসু এমসুনা মশক খঙদে। ৱাংজিং ব্রাঞ্চ অসিগী ওইনা পাওনম প্রিয়োবর্তনা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরি। খোংজোম ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্টনি হায়জবা সোনিয়া সাপম হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইবা লৈতে, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবদি লৈ হায়রদুনা য়াইরিপোক ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্টনি হায়জবা ওনিন্দ্রো হায়রিবা মীওই অসিসু চহী অসিগী মে থাদা এমসুগী চৎন-কাঙলোন ৱাংমদা থবক তৌবগীদমক তাম্থোকখ্রবা মীওইনি হায়খি।

মখোয়না থোক্লম্লিবা ৱারোল অদুসু মশা-মশানা খঙনা সাইন তৌখিবা অমত্তা নত্তে। নুমীদাং অথেংবদা মীওই খরা লাক্লগা সাইন তৌহনখিবনি হায়রদুনা এমসুবু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্নসু লান্না উবীগনু হায়না লুচিংবনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবী এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি নির্মলা মৈহৌবমনা হায়খিবদা, এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ওইবা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা চয়েৎনবা লৈতে। বাই লোগী মতুংইন্না মীয়াম্না মশক খঙলবা এমসু হেদ ক্বার্টরগী মীংয়েং মখাদা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসি ঙসি ফাওবা থবক তৌদুনা লাক্লবনি। মখা তানসু এমসুগী থবক থৌরমশিংদা এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শরুক য়াখিগনি হায়রদুনা থবক থৌরম কয়াসু চথখিগনি হায়খি।

# অথিংবা খূদিংমক কোমথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : কংলৈ পনাস ময়াই লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট ঈ ইবেমপিশক লৈমনা প্রিসাইদ তৌদুনা লূপ অসিগী শঙ্লেনদা লিলোং লোকেল কাউন্সীলগী থৌমীশিংগা পুন্না ফমখিবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না থা অসিগী চৈচৎ ৮দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল অমসুং লিলোং লোকেল কাউন্সীলগী মথক্তা লৈবাকমীয়াম অমদি মীদিয়াগী থোঙদা অথিংবা থমখিবা অদু লিলোং লোকেল কাউন্সীলগী ওইনা অথিংবা খূদিংমক কোমথোকখ্রে হায়না কংলৈ পনাস ময়াই লোয়শঙগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন খুল্লেম সোফিয়া লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা লিলোং লোকেল কাউন্সীল নৌনা রিফোর্মেসন তৌদুনা লূপ অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অনৌবা থৌমীশিংসু খনখ্রে। নৌনা খল্লবা থৌমীশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ইন-চার্জতা সলাউদ্দিন ফুন্দ্রে, ভাইস প্রসিদেন্টতা ফুশম সজাহন অমদি এম এম হাসন খান, জেনরেল সেক্রেটরি এম কে সাহিদ অহম্মদনচিংবনি হায়রি।

# এম এল পি সী সীনা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌবগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ঙসি এম এল পি সী সীগী মীহুৎশিংনা অসামগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রোনুজ পেগুগা উনদুনা অসাম গভর্ণমেন্টকী মণিপুরী মেদিয়ম স্কুলশিংদা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌবগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে।

অসাম সেক্রেটরিয়েটকী বি ব্লোক্কী কনফরেন্স হোলদা এম এল পি সী সীগা পুং ১ রোম ৱারী শানখিবা অদুদা মরুওইনা লখিপুরগী এম এল এ কৌসিক রে, এম এল পি সী সীগী ভাইস চ্যেরমেন অরাম্বম নন্দবাবু, রিটায়র্দ এ সী এস কনভিনর অশাংবম স্বাপন, মৈতৈ পুক্কে লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম নোদিয়াচান্দ, এল এম বিগী ভাইস চ্যেরমেন লৈশুংবম রোবিন্দ্রো, এম ৱাই এফ এগী এদভাইজর সেরাম হেরাজিৎ, এ এ এম এস য়ুগী প্রসিদেন্ট ঙাশেপ্পম সনাহল, জেনরেল সেক্রেটরি কব্রাবম বিক্রমজিৎ, এ এম এম ৱাই এফকী জামির হুসেন, জি এম এম দব্লিয়ু এসকী অব্দুল সলাম, এম পি এফকী প্রসিদেন্ট য়েংখোম উপেন্দ্র, এম পি এফকী জেনরেল সেক্রেটরি এল ইঙাঙম্বা ইচেমোগী এদিটর ফুরিৎশাবম বিরমনি অমদি এম ভগৎনচিংবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

মিনিষ্টরগা ঙসি ৱারী শানবা অদুদা এম এল পি সী সীগী মায়কৈদগী অরাম্বম নন্দবাবুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এম এ ফাওবা তম্বা হৌখ্রবা মীতৈ ময়েক অসি অসামদসু চৎনহনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্টরনা মণিপুরী লূপশিংনা ভলন্টরি ওইনা তাকপী-তম্বীবা হৌগৎপীয়ু। মদুগী মখা তাবা কোন্না খন্নসি অমদি মণিপুরী মেদিয়ম স্কুলশিংগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

এ এ এম এস য়ুগী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা অমাল-গমেসননগী মতাংদা অইবা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অদুগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা কুপ্পা খন্নগনি হায়না ফোঙদোরকখি। অসামগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানখিবা অদুদা এম এল পি সী সীগী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীফম অদু লোইশিনখি হায়রি।

## খুদোল্লে ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ১৫ (ঐচএন এস) : লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৮, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা মণিপুরী লিটরেচর সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা ডা. ময়াংলম্বম ব্রজমনি মঙাংনা ইবা *খুদোল্লে* কৌবা নোভেল লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. বি সুরেশ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী বেরিল থাঙ্গ, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী ভাইস প্রসিদেন্ট নাওরেম লোকেশ্বরনা মথংশিৎনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ময়াংলম্বম সদানন্দনা নোভেল লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাংগনি। থৌরম অসিদা লমদম অসিগী খোরিরোলবু নুংশিবীবা মীওইশিংনসু শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# তর্পন মহোটসবকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : কাংমোং সঙ্গীত কলা মন্দলনা শীন্দুনা কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দা তর্পন মহোটসবকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা তর্পন মহোটসবকী থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী এৱার্দী ৱারেপ্পা নবনা অথোইবা মীথুং, সী দব্লিয়ু এ এফকী চ্যেরমেন বুধ চিংথামনা থৌরম মপু অমদি মণিপুর ঠিএটর একাদেমীগী দিরেক্টর সরুংবম বিরেননা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা পদ্মশ্রী এৱার্দী নব ৱারেপ্পনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী নহারোলশিংদা হৌজিক তর্পন কৎপগী ৱাখল্লোন লৈরক্তবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ঐখোয়বু শেম্বী-শাবীরকপা ইপা-ইমাবু মশক খঙলক্তবা হায়বসি ঐখোয় ইশাগী আইদেন্টিটি খঙদবগা চপ মান্নে। ঐখোয়গী কলচর অসিনা ঐখোয়গী মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। চহীগী তাঙ্কক খায়না লৈরিবা পুন্সিগী তাঙ্ককশিং অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা অহল-লমনশিংদগী তুংগী লম্বীদা লাক্কদবা খঙদ্রবা য়াদ্রবশিং তমহৌনবগী মতম অদুনি হৌজিকমাঙদা তাদুনা লৈরিবসি। মখোয়না থম্বীরম্বা চৎনবী, চৎলম্বা লীল্লম পরিং অদুদা শক খঙনা চৎলবা মতমদতা ঐখোয় পুন্নমক মায় পাকপা ওইগনি হায়খি। থৌরম অদুদা ইপা-ইপুশিং হৈশোই কৎতুনা ঈকায়খুম্নখি।

# মাঙজৌননা কেন্সর খঙদোক্লবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : নৈনশঙ (ষ্টদি ক্লব) অমদি কে এ আর কে আই এন ও এস কেন্সর ক্যের এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট, জে নিমস কেম্পস মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা অর্লি দিটেক্সন এন্দ প্রিভেন্সন ওন কেন্সর কেম্পগী থৌরম অমা ঙসি সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা নৈনশঙ ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না নৈনশঙগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ সুনিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেম্প অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা পান্দমদি মীয়াম্না য়াম্না কিনরিবা কেন্সর হায়রিবা লায়না অসি মুখৎনবগী পান্দমদা ঐখোয় খূদিংমক্না লায়না অসি ঙল্লিঙৈদা খঙদোকহৌরবদি লায়না অসিদগী ইরায় লায়না কনবা ঙমগনি হায়বগীদমক মাঙজৌননা লায়ওং অসি খঙদোক্লবগীদমক কেম্প অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা জি এস মোইরাংথেম, ডা. ৱাই ইন্দিবোর অমদি অতৈ মরুওইবা ডোক্তর কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লৈকায় অদুগী মীওই ১০০ রোম্নসু মাঙজৌননা কেন্সর লায়না খঙদোক্লবগী মেদিকেল টেষ্টশিংসু পাঙথোকখি। টেষ্ট অসি তৌখ্রবা মীওইশিংদা করিগুম্বা নেগেটিভ লাক্লবদি মীওই অদু চহী ৫/১০দি টেষ্ট অসি তৌদ্রবসু য়ারগনি। করিগুম্বা চিংননিংঙাই ওইরবা লাক্লবদি মখা তানা য়েংনবগীদমক মরী লৈনবা ডোক্তরশিংগা তান্নগনি হায়রি।

# ৯৬শুবা বীপ্লবি কমরেদ বীরগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সী সী), মণিপুর অমসুং ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট, সী পি আইনা শীন্দুনা ইম্ফালদা লৈবা ইরাবত ভবনদা ৯৬শুবা বীপ্লবি কমরেদ থোকচোম বীরগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর সী পি আই ডা. এম নর; এম এস সী, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল থোইরেন; হান্নগী সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার; কমরেদ এস য়াইম হান্নগী ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট, কাউন্সীলগী সী পি আই দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি কমরেদ কে এস ঐচ শান্ত, সী পি আই (এম) গী ষ্টেট সেক্রেটরি, কমরেদ ধনাধিষ্টত্রি দাস, ত্রিপুরা ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি অমসুং কমরেদ এল মেম্মা মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী সেক্রেটরিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

বীপ্লবি কমরেদ বীর মহৈরোয় ওইরিঙৈ মতম কোলকাটাদা মহৈ তম্লিঙৈ মনুংদা জননেতা ইরাবতকা উনদুনা সী পি আইগী মেম্বর অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক ইরাবতকী চেৎনা থাজবা লেফ্টনেন্ট অমা ওইরকখি। ইচঙ থৌনা কোলকাটাদা আই এ তম্লিঙৈদা কমরেদ বীরনা মহৈরোয় অমা ওইনা কুমজা ১৯৪৮গী ফেব্যুৱারী ২৮দগী মার্চ ৬ ফাওবা ফমখিবা সী পি আইগী অনীশুবা কোংগ্রেসতা শরুক য়াখি।

মহৈরোয় ওইরিঙৈদগী হৌদুনা বীরনা মহৈরোয়গী দিমান্দ কয়া পুখৎতুনা থেংনবা হৌখি। মান্নবা খুন্নাই পুরক্লবা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি অমদি নেসনল কাউন্সীলগী মেম্বর অমা ওইনা মীয়ামগী দিমান্দ কয়াসু পুখৎতুনা থেংনবা য়ানা থেংনরকখি। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল অহুম অসি কন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাংসু লৌখি। মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম মেম্মানা কম্যুনিষ্ট পার্টি অসি মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ কন্ননবা হোৎনবদা থানবা য়াদ্রবা পার্টি অমনি হায়নসু শীংথাখি। মসিদা পার্টি অসিগী লুচিংবা কমরেদ বীরনা লৌখিবা থৌদাং শীংথাবদা লোইবা নাইরোই। পার্টিগী লুচিংবশিংনা কমরেদ বীরবু শীংথারদুনা মহাক্লা লৌমী-শিন্মীগী, কৈথেলগী, মণিপুর লোলগী, নহারোল অমসুং মহৈরোয়শিংগী, ট্রেদ য়ুনিয়নগী, মণিপুরবু ষ্টেটহুদ ফংনবা হোৎনবদা অমদি চোকথবা নাইদনা কথোকপগা লোয়ননা থেংনখিবা কয়া অদুবু শীংথাখি। অনৌবা অওনবা মণিপুর অমা ওইনবা, পুরক্লবা রিভোল্যুস্নরি অমগী পুন্সি পম্বুং ফংদ্রিঙৈদা কুমজা ১৯৮০গী জন্যুৱারী ১গী অঙনবা অয়ুক্তা মহাকপু উনবা লাকখিবা নহা অনীনা মশাগী থোঙ্গালদা থিন্দোকপা থোক্লকপদা নোংমৈনা কাপ্পুনা পুন্সি লোমহনখি। মহাকপু লৌতুনবা অমা য়াওনা হাৎখিবসি সী পি আইনা কন্দেম তৌই। মহাক্কী লৈরিবা থৌদাং অদু পার্টি অসিনা মখা তানা থেংননবা শরুক য়াগনি হায়না লুচিংবশিংনসু ফোঙদোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কৈথেল নুপী মরুপকী য়াম্লবা মেম্বরশিং লাক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎসু তমখি।

নাকল অমরোমদা, ৱাবগাই লোকেলনা শীন্দুনা ৱাবগাইদসু কমরেদ মোইরাংথেম সাজৌ পার্টিগী ভেটরান মেম্বর অমদি কমরেদ এস কুল্লবিধু ভেটরান অনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা ১২৬শুবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা কমরেদ হিজম ইরাবত অমদি মহাক্কী খোঙলোয় ৮গী ফোটোশিংদা হৈ-লৈসু কৎখি। পার্টিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ এম বিহারজিৎ, হিয়াংলম লোকেলগী লুচিংবশিং, কমরেদ উশম কুঞ্জো অমদি উশম রাজমোহোননা ইরাবতকী পুন্সি নৈনখি। লোয়ননা ৱাবগাই লোকেল সেক্রেটরি টি ঐচ রাজমনিনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীদুনা লোকেল অদুদা ইরাবতকী লমজিং মখাদা ঈহৌ কয়া নীংশিংদুনা ৱা ঙাংখি।

# হায়পরটেন্সন মেনেজমেন্ট ট্রেনিং হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (ঐচএন এস) : নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা হায়পরটেন্সন মেনেজমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রামগী থৌরম অমা থৌবালদা লৈবা জি এন এম স্কুল ওফ নর্সিংগী ট্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. ৱাই নোকুল অমদি জি এন এম ট্রেনিং স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. এন মেমচৌবীসু শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি এন সী দি সেল, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমদি আই সী এম আর অমসুং দব্লিয়ু ঐচ ওগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমনি। ঙসি হৌদোকখিবা হায়পরটেন্সন মেনেজমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রামগী থৌরম অদুদা মেদিকেল ওফিসর ১২০, কম্যুনিটি হেল্থ ওফিসরশিং, সী এন এমশিং, এ এন এমশিং অমদি ফার্মাসিসশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না আই সী এম আর, এন আই ঈ কন্সল্টেন্ট ডা. সুভ্রত; সী ভি ঐচ ও, দব্লিয়ু ঐচ ও অন্ধ্র প্রদেশ ডা. সী আর পটেল; সী ভি ঐচ ও, দব্লিয়ু ঐচ ও অসাম ডা. গুঞ্জন নাথ; আই সী এম আর, এন আই ঈগী সিনিয়র ট্রিটমেন্ট এ কে সোনমনচিংবুসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মায়কৈদগী তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হায়পরটেন্সন দাইগ্নোসিষ্ট অমসুং ট্রিটমেন্ট প্রোটোকোল, ওপ্পোর্চ্যুনিষ্টিক স্ক্রিনিং এন্দ টাস্ক স্যেরিং, সপ্লাই চেঞ্জ মেনেজমেন্ট, পোর্টেল এন্দ আই টি এপ, দোক্যুমেন্টেসন এন্দ রিপোর্টিংনচিংবা হীরমশিংদা পৱার পোইন্টকী খুত্থাংদা প্রজেন্টেসন কয়া পীখিবগা লোয়ননা গ্রুপ দিস্কসন, ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমদি টোল প্লেনচিংবসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ডা. ৱাই নোকুলনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদগী কান্নবা কয়া লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।